ঐখোয় ময়াম গাড়ী তোংদুনা চৎলি...
অদুবু কাংখোঙদি য়াওদে তোংলিবা গাড়ী অসিদা।
*- রতন থিয়াম (মাঙখ্রবা সহরগী লোইখ্রবা ৱারী)*

## প্লাষ্টিক য়াওদবা প্লাষ্টিক

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

মালেমগী প্লাষ্টিক সর্জরিগী নুমিৎ
জুলাই ১৫না খোঙদোইরকপদা
মীপূম তিংনা খঙমিন্নহৌরসি
লায়েং পথাপসিগী মরমদা
শেম্লিংবা মওংদা শেম্বা য়াবদুবুনি
'প্লাষ্টিক' হায়বা ৱাহৈগী ৱাহন্থোক্তি
নত্তে তোঙানবা প্লাষ্টিক হাপচিনবা
লোইরগা মৈনাক্তা চঙবদসু শৌদোক্তে।
পলেম পীবুক্লুংদগী য়াওজরকপা
চীন্বাল কায়বা, ঙৌ কায়বা
খূৎশা-খোঙশা লোঙবা, চিৎথহৌবা
নত্তে খোইয়ুম লাইগী চৈরাক
ফিরুক খুমজিন্দুনা খক থম্বীগনু
পুথোকপীরকউ চিংনবা অমত্তা লৈতনা
মতম চানা শেমদোকহৌরবদি
লেঞ্জগদৌরিবনি মহৈ য়ানবা পুন্সি।
খান্বী মৈনা মৈৱায়খ্রবা
নমু তাইবঙদুগী পুন্সিদি
অৱাবতনা থল্লবা ঈপাকনি
মরাইবক থীরবা মখোয়বু
হান্নগী পুন্সি মরেলদা
খরতমক ওইরবসু হঞ্জিল্লকহনবদা
মায় পাকপা ঙমজরবদি
পোকপগী মহয় য়াল্লে খঞ্জগে।
মাগী মমিংতমক পল্লকপদা
অকি-তুজুং পোক্লরিবা
'কেন্সর' কৌবা লায়নানা
মতম চাদনা লান্দারক্লবদা
লৌথোকখ্রবা হকচাং কয়াৎশিং
নৌহৌননা শেমজিন-শাজিন্দুনা
পোকপীরি অনৌবা মপোক অমা
রিকন্সত্রক্তিব সর্জরিগী পাম্বৈনা।
অশাউ খান্বী মৈহৌরক্তুনা
খন্থহৌদবা মীৎকুপ অমদা
মিংশেলদা তাইনবগী মহয়দি
লেম্না খক মাঙদেদো
খূৎতুম শীংদুনা লাক্লগা
খূবাম তিংদুনা হল্লি হায়বদুমক্লি
থোক্কদৌরিবা থৌদৌদো
খক কাউগনু হে থৌনাফবা নহা।

## কোভিদ-১৯

**—টি ঐচ সনায়াইমা লৈমা**

ৱুহান সিটি চাইনাগী
নোভেল কোরোনাভাইরস
কোভিদ-১৯ নহাকসে
অখঙ অহৈশিংনা তাকপীরি
মহৌশা লাইরেম্বীদগী থোক্লকপনি
লাইরেম্বীসু ওইসনু লাইরেম্বসু ওইসনু
নহাক্লা মথং সুম কোয়রকপনা
মালেম শিনবা থুংখরে
পূম্নমক খূবাম নুংদা থম্বীখ্রে
তাইবঙ মী হায়বদো
উবা, থেংঙুবা য়াদরে
চানীং-চানীংবা খল্লগা চাথোক্লে
খরনা তংল-তংলগা
লেক্ল-লেক্লগা থম্বীরম্লে
নমিংতং তাবদা নহাক্কী
মালেম পূম্নমক মীপাইনৈ
ননীং তৌমল্লে লাইরেম্বী, লাইরেম্বা
মীহিং চাবী হিংচাবী
তৌঙম্বী মীরৈহৎ মীতম্বাল
মীগী ঈবু খৌরাংবী
তাইবঙনা চাওখৎপা উরগা
কল্লক মীহৌ চাউবীনি
মবুক ফত্তবী লৌনম্বীনি
ঐদি করিসু হায়জরোই
মসিমতং হায়জগে
লাইরেম্বা লাইরেম্বী কাউবীনুকো
ঐগী ইরমদম মণিপুরগী
মী অমত্তংফাও চাথোকপীগনু
খূৎ শদুনা পুবিখিনু
তুবুম কাইদ থম্বীরম্মু
মীচং মীখায় নাই হায়রসু
খিতং-খিতং তংলগা
খজিক্তংমক লেক্ল-লেক্লগা
থম্বীরম্মু কাউনিকো।
নহনফমদা হনবীখ্রো
নতেফমদা তেবীখ্রো
ইরমদম মণিপুরনা য়াইফসনো।

## করিদি থমলম্লে ঐবু ?

**—সেৱা নিমাই**

মপোকসিনা পোল্লককৌঙে, পূন্সিসিনা শিদ্রিঙৈ
উখি খঙখি কয়ানা, নীংশিং নীংশিং য়ৈরকই
ঐগী পূক্লিং ৱাখলদা, মখোলথোক্লা কপ্লকই ।
ঐগী থম্মোয় অপঙবা, মমল লৈত হৌখিবা
তক্সি শোল্লি হৌজিক্তা, পূন্সিনা য়াচংলক্লবদা
তোয়না তোয়না খল্লকই, মীচৈ তানা হল্লগদ্রা,
নীংশিংহৌনা অমত্তং, মতম কূইনা হিংহৌনবা
ঐবু করি থমলম্লে ?

## তাইবঙ মপুদা

**—অঙোম ইবোমচা**

ঙা-ঙ্গ্রাননা ফুদোংলবা সনাগী মচুগুম
নিংথিজরবা অয়ূক্কী কোরৌগী মঙালদা
শৈশক তমজরি পোম্বী-চেক্লাশিংনা
চিল্লোক-চিল্লোক্লা নুংশিননা
শোঞ্জরি মপুগী কোলোয়।
পোমশাৎনরম্বা শিঙেন লৈরাংশিং
শাৎকায়রি লৈনারক্তা ফুগায়না
শাজরি জগোয় নোম-নোম
মালংগী ঈংলবা তান্থাদা
থৌগঞ্জরি পেন্নবা তাইবঙ মপুনা।
নুংশিবা লৈনম্বু পুদুনা
য়েনবীরি শিনথুংনা মফম খুদিং
ঈংলবা মলিয়া নুংশিৎনা
নীংশিংহল্লগে মতাগুম
তাইবঙ মপুবু
কোরৌগী মেংলবা মঙান্দা
লাইজ-ঈপাল লাংজরবী
চনুরা নিংঙোল, মৌশিংনা
সেঙ্গা থন্নবু লৈহাপ্না
কচ্চরি ধুপ-থাওমৈগা লোয়ননা
য়াইফ পুন্সি থৌনিজরি
তাইবঙ মপুগী মফমদা।

## মপা শা ওইনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

মতম কুইনা
য়াম্না কুইনা
চহী মান্নদ্রবা
কয়াশিংদুগী মরক্তা
থেংনদুনা লাক্লি
মপা শা ওইনা ঙসিসু।
নোংজু, নুংশা কয়া
লেপ্তুনা চুরিবা
কুমগী নোংজুলক্তসু
থেংনরি মপা শা ওইনা।
নহা, অহল
লৈকায় কয়া লান্না লাকপা
চাক্তাফম পুনবা
শঙ্গুলক্তা থেংনরি,
কুমওন অমদগী কুমওন
কয়া মথং-মথং লান্দুনা
সনা খোংনাংগুম
লেঙদনা অদুমক লেপলি,
ঙসিসু চাক্তাফম পুনবা
শঙ্গুলকসিদা মপা শা ওইনা।

## করম্বা অনৌবা অমা

**—লোংজম রোশন**

চাওখৎলকই মালেমসিসু
নোংম-নোংমগী,
লেপ্তুনা অসুম-অসুম
ঘড়ী কটাগী খোঙচৎকা ইরোইননা।
চহী অমা, অনী, অহুম
খূৎশা থেক্লা-থেক্লা
লোইখি মতম মাসু,
চৎখি অদুমক লেপ্তুনা
উররোইদবা মায়কৈদুদা
তপ্না-তপ্না।
অসুম্না তৌরিঙৈ ঐখোয়না,
থবক্তা চিলহাও থিরিঙৈ,
করপসনগী লাংদা থুরিঙৈ
লেপ্তুবা কনা অমনদি
শেমগৎলকই তপ্না-তপ্না,
অরোনবা খূৎলায় কয়া।
লান্দাবা হৌরক্লে হৌজিক্তি
য়েক্লবা য়েক্লদবা থিদনা
মালেমগী কাচিন কোয়া খুদিংদা
য়ৌদবা লৈশিল্লক্ত্রে মহাক্লা
শোন্থরম্বা মপাঙ্গলসু কনখৎলক্লে।
পনখৈ অমদি লাক্লনি
শোয়দনা মাগীসু মীকূপ অমা,
পোলোই হায়বা মীকুপ অমা
মতমদুনা লাক্লবদা
তল্লমগদৌরিবনো মালেমসিদা,
করম্বা অনৌবা খুদোল অমা...?
করম্বা অনৌবা অমা...?

## লানফমদা থৱায়

**—জয়কুমার তখেল্লম্বম**

হো কৈবু-কৈওইবা
উতোংদুদি মফজৈ কুয়োম
উতোংদুনি কৈবু-কৈওইবগী
মনিং মমাংদি হোত্রোংনি
অনীশুবা লাঞ্জাওগী লম্বী খঙই
চোঙশিল্লকই, চঙলকই নঙ
ৱুহান সিটিদগী সিফাওবা
মীংদা তাবদা নিক্লরবনি
মালেম থুংনা কোভিদ-১৯।
হিংনবগী লানফমদা চৎনখি
মণিপুরগী ৱাংমদা মীওইচাশিং
নঙগী শাজৎনা কোভিদ-১৯
থৱায় হিংনবগী লানফমদা
চেনশিন্নরকখি ইমাগী ইতম্বাক্তা
জিরি ঘাটতা নঙবু থিংলিবনি
মিৎ-না শিংই, সিটিগী হৈনবী
কৈবু কৈওইবগী উতোংনি হায়বা
উতোংদুদি মফজৈ কুয়োম।
থাশিং কয়া হৌখ্রে, খঙলে
হনখ্রো, ঐখোয় চিনফা পুরে
ফেস মাস্ক, সোসল দিষ্টেন্সিং
খূৎ হাম্বনচিংবা চৎন-কাঙলোন
মালেমদা চিনফা পুরে
ইশানা ডাক্তর ওইবা তাই
হিংবা হৌরে শাগোন্ননা
খঙগনি হয়েংদা ঙাইরে
নঙগী মীৎক্রু শ্বরগী হু।

## মমল হোঙবা ইরলসে

**—রামেশ্বর লাইশ্রম**

যাদু হৈবা অমদি নৎচদে
হৈজদে নুংশি পাউজেল চেঞ্জবসু
অদুবু, পুজরক্লি নুংশিবগী ৱাহৈ অমত্তং
তমজগে নাপ্পা চিক্লা নঙগী।
কল্লক-য়েংথীনা মৈনা
থম্মোয় চীংগোন খুদিং থুংনা
মৈবুল হৌনা লম্মৈ চাক্লরক্লে
ঙমদ্রে লৈথোকপা তুমিন।
শৈশক হৈবী চেক্লাগুম খোন্থাংসু শুজদে
লৈনম চাউবী লৈরাংগুম লৈনমসু চেঞ্জদে
চান্ন-লিপূলনা চেজেৎ পুঞ্জনীংবগী লিচিংতনা
লাকচবনি ননাকসিদা পীজগে পাউজেলসিমত্তং
মমলসু লৌজরোই, মমলসু মন্তিক্লজরোই
করি মাঙজবা ঐনা থৌদাংসিমতং পাঙথোকচবদা
খোইজংনদা তাবিয়ু, থম্মোয় শেংনদা লৌবীয়ু
মমল হোঙবা ইরলসে,
নীংজদে চাংদম্নীংঙাই লৈতে।

# ঙসিগী অঙাংশিংদা থকসি-খাসি, লোল অমদি নাৎ ?



ঐখোয়গী ঙসিগী আঙাংশিং অসি ঙসিদগী চহী ৫০গী মমাঙদা লৈখিবা লমদমসিগী অঙাংশিংগী পূন্সি মহীং, শাহৌ খূদিংমক্তা চাউনা খেন্নরে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ঙসিগী অঙাংশিংগুম্না শিংদে। লৱার ক্লাস প্রাইমারি (এল পি) তল্লিঙৈ লাইরিক তম্বা চৎপদা বোরা খাউ পুরগা নীংথমথাগী লিক্লা মথক্তা থাদুনা মায় নুংশা ওল্লগা নুংঙাইনা স্কুলদা লাইরিক তল্লকখি। অঙাং ওইরিঙৈদা খাও য়াল্লগা লাইরিক তম্বা চৎলক্তে। নাকনদা য়েপ্লগা স্কুল কারকখি। শেলেট অহনবদা কাংখুনা ময়েক ইবা তল্লকই। শেলেটতা কাংখুনা ইবদা মনম য়াম্না নুংশিখি। ইবদা তুমশিল্লবা কাংখু মতেকশিং লংথোকখিদে। কৌতা অমদা কাংখু মতেকশিং হাপচিন্নে। কনাগুম্বা খরদি কাংখু মতেকপু 'ধকা শান্নবা' হায়বা খূৎ চুম্বা তান্নবা মশান্না মখল অমা শান্নখি। লংলগা অমনা অমবু পানবা, খূৎ চুম্বনা কাংখু লৌনবনি। অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিকসু মখল য়াম্না তল্লকখিদে। অঙ্কগী লাইরিক্তা ধরপাট তল্লকই, ক্লাস খরা য়াল্লগা পাটিণগনিট, খূৎলোয়বা অঙ্ক হায়দুনা অঙ্কগী লাইরিক তল্লকই। ইতিহাস তোঙান্না তল্লকখিদে। জিওগ্রফিদি 'ভুগোল' হায়রগা তমলকই। হিন্দিদি 'পন্চ সরোজ ভাগ ১, ২, ৩' খায়না ক্লাস আইট ফাওবা তম্মী। অতোপ্পা স্কুল খরদনা সংস্কৃত, বংলা তম্বগী পাউ তাখি। ৱারেংগী লাইরিক্তা, 'সাহিত্যগী মঙাল' অমদি 'ৱারেং অখোম্বা' কৌবা অসি তমলকখি। ইংলিসতা 'রিদ এন্দ টেল' ক্লাস আইট ফাওবা তম্মী। ক্লাস নাইন, টেনদা তমখিবা 'দ লাষ্ট দে ওপ পোম্পাই', 'লুক্কিং এদ চিলদ্রেন এন্দ অদর লেন্দ' 'এন এন্থোলোজি ইংলিস প্রোজ এন্দ পোইত্রি' ঙসি ফাওবা নীংশিংলি, চিনফা পুরি। রচনা ইবা, দরখাষ্ট ইবা তোঙান্না তল্লকই। লাইরিক লাওনা অমদি হৌনা পাবা চৎনরকই। শৈরেং চিনফা য়াম্না পুনরকই। দ্রোইং হায়বসি ঙল্লিঙৈ অঙাং ওইরিঙৈদা তোঙান্না তম্নরক্তে। লাই য়েকপা পামলকখি, য়াম্না য়েক্লিংলকখি, ইমানা চৈনি হায়দুনা লোন্না লোন্না য়েকলকখি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা লাই য়েকপা অহল লমনশিংনা ঙাঙঙি, তৌহৈদে হায়নৈ। ঙসিগী অঙাংশিং কয়াদা লাইবক ফখ্রবা, লাই য়েকপদা পূক্লিং থৌগৎপীরে, মমা মপানা মচাশিংবু লাই য়েকপা তমহল্লে স্কুলদা দ্রোইংসু তল্লে। ঙসিগী মমা মপা ওইবশিংনা দ্রোইং কম্পিটিসন কয়াদা মচাশিংবু পু-পুদুনা য়াওহনবিরি। মসি ঐখোয়গী মতমদা ফংলকখিদবা ঙাক্তনি। মমল তাঙলবা কলর পেন্সিল, দ্রোইং টেবল, লাইন চিংনবা পথাপ (স্কেল) মখল মখলগী পায়হনবীরে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা পায়রকখিবা পথাপ্তি (স্কেল) ৱাচেৎনা শাবনি। করিগুম্বা মতমদা ওঝানা ফুনবা চৈ ওইবসু য়াওই। কলর পেন্সিল মশক খঙলক্তে। পেন্সিল মখল অমা লৈরম্মী। পেন্সিলগী মচিন্দা লৈনা থেংলগা চোৎহন্দুনা থোকলকপা অদু মচু ওইনা শঙবনি। কোবি পেন্সিল হায়নৈ। ঐখোয় অঙাংশিংনা হায়বা হৈতবগী কোফি মচু মানবা মচু থোক্লকপদুদা কোবি পেন্সিল হায়বা ওইগনি। মদুনা কলর পেন্সিল ওইনা য়েক্লরকখি। খরা লৈরগা পেন্সিল মশাং অমদা তঙ্খায় অমনা হিগোক মচু ওইবা তঙ্খায় অমনা অঙাংবা ওইবা থোকলকই। মদু কলর পেন্সিল ওইনা হায়নৈ। পেন্সিল অমদা মমল পৈশা শিকি অমা (পৈশা ২৫) পীখি লৈবা ঙম্নদে। মদুমত্তং লৈবিনবা নিংঙাই য়াম্না তৌখি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, ইনবা চে লোইথোকখ্রগা লৈবা য়াম্না ৱানখি। হোলদা সিনেমা অনৌবা তৌবগী মাইক লাওবা লম্বীদা লাকপদা চে চাইথরম্বা হরাউনা তান্নদুনা খুল্লগা চেগী মনম অহাংবদা লাই য়েকলকখি, অঙ্ক খোৎলকই। চাইথরম্বা সিনেমাগী পোষ্টর অপাকপা অমগা ফংলগদি ঐখোয়দি হরাউবনা লোইখি। চে ডিষ্টা অমদা শিকি অহুম (পৈশা ৭৫) পিবদু লৈবা ঙম্নদে অদুনা চে য়াম্না লিক্লা শীজিন্নে। পেন্সিলনা ইরগা মুৎথৎনবা রেজর (রবর) ফংবা ৱাখি। রবর ওইনবা হৱাই সেন্দল অতৎপা নৎত্রগা লমজাউদা টৌটি পাইপ শেম্বনা পাইপ শম্নফমদা শীজিন্নরম্বা রবর লেন্থৎতুনা লৌরগা মুৎথৎনবা রেজর (রবর) শেম্নরগা পায়রকখি। লাইরিক তম্বা চৎপদা চাক লামলকখি। য়ূমদগী অবোক্লা পীরকপা পৈশা মরি, অনা, নয়া পৈশা তারা-কুন অদুনা ইনেসিগী পোৎফমদগী চনা কাংঙৌ অঙৌবা নৎত্রগা পাকনম লৈরগা ইমান্নবশিং চামিন্নখি। লমজাওগী লম্বী মপান্দা খিনবা লৈকাইগী টৌটি কোঞ্জিলদা অমনা অমুক চুপ, অমনা অমুক চিংদুনা ঈশিং থকলকখি পূক্কী চফম ওইমিন্নখি। ঐখোয়না লাইরিক তম্বা চৎপদা ঙসিগী অঙাংশিংগুম্না চানবা পুনবা টিফিন শীজিন্নরক্তে, টিফিন মশক খঙলক্তে। ঈশিং থক্লবা ফ্লাক্স নৎত্রবা বটল পুনরকখিদে। চৎলমদাইদা ইমানা মনম নমলক্তে। ঙসিদি মমানা মচাশিংবু স্কুল কারমদাইদা মনম য়াম্না নম্নরি অদুগা খূৎ হাইদুনা বাই-বাই তৌরগা মচাবু থিন্দোকই। খুরুম্বদি তম্বীনদে। ঐখোয়না হৱাই সেন্দল অমগা অদুম খোঙনা লাইরিক তম্বা চৎলকই। শাউন খোঙউপ তোংলক্তে, ফি খোঙউপ উপলকই। ফি খোঙউপ শুদোক্লগা চোক মতেক্লা তৈববু ফি খোঙউপ্তা কাপ থাবনি হায়না চৎনরকই। ফি খোঙউপ শেগায়দুনা খোঙবী লিৎথোক্লবা অদুফাওবা অদুম তোংঙি। অহনবা অমা তোংবা হায়বসি য়াউশং মতম লাক্লগা অনৌবা অমা লৈবদা ওইগদবনি। অহনবা খোঙউপ অমা শিনবসি য়াউশং মতম লাক্লবা মতমদা ওইনৈ।

অঙাং ওইরিঙৈ, লাইরিকপু য়াম্না নুংশিজৈ তরু-তনান্না মখুম খবরনা পান্নবা হোৎনৈ। লাইরিক মখুম পানবা ঙম্নদবা মী য়াওখি। চে নপ্পবা গম হায়বা অমা তোঙান্না লৈ হায়বা খঙদে অদুনা চাক্লা গমগী মহুৎতা নপলকখি। তল হৌনবা আতা য়াম, শিকি অমগী (পৈশা ২৫) ফনা য়াম্না তৌই। করিগুম্বদা অতা-য়াম লোল্লগা গম শারগা নপখি। লাইরিক অহনবা অমা লৈবগী মমল খ্বাইদগী য়ামবসি লুপা ৫.৫০ পি। লাইরিক অহনবা লৈবা ঙম্নদদুনা মীনা তম্নখিবা লাইরিক থিরগা মমল তঙ্খাই তানা লৈরগা তম্বা চৎনরকই। ক্লাস অনৌবা কাবগী লাইরিক, কৈথেলগী লাইরিক য়োনফমদা চৎলগা কয়া লৈনরক্তে। কৈথেনগী করম্বা মফমদা লাইরিক য়োনবগে হায়বা ফাওবা খঙলক্তে। কৈরোই লৈকাইদা ইথক থোংবশিংনা তল্লকপা লাইরিক লৈনবা কোইচৎ চৎনৈ, হংনৈ। খরা চাউরক্লগা লাইরিক য়োনফম খঙলকই। লাইরিক য়োনফমসু য়াম্না লৈরমদে, খরতনি। নীংশিংজবা খরদি-ষ্টুদেন্টস বুক ষ্টোর, ওরিয়েন্টেল বুক ডিপো, ট্রাইও বুক ষ্টোর অসিনচিংবনি।

শেৎনবা ফিরোলসু ইচম চম্মী। লৈকাইদা লৈবা ফুরিৎ, খোঙ্গ্রাউ তুফমদা চৎলগা নাপ ওল্লগা তুনরুই। শম ককফম হায়বা মফম অমসু থেংনরক্তে। য়ূমদা অহল-লমশিংনা ফা-ফাদুনা ককই। শম ককপদা য়াম্না নাখি মরমদি শমকক কাটিদু ময়া থৌনদে। শম ককপগী কাটিদু নূংদা ফেংল-ফেংলগা কক্নরকখি, মতম য়াম্না কুইনা চঙখি, ঙাইবা ৱাখি। ক্লাস টেন ফাওবা খোঙ্গ্রাউ অশাংবা শেৎনদে, খুদাংদা ঘড়ী শীনদে। কনাগুম্বা অচোনবা লোং পেন্ট শেৎপা, ঘড়ী শীবা য়াওরকপদা ময়াম্না মূনা য়েংনৈ। খোঙ্গ্রাউ হাপ পেন্ট অদুসু ইঞ্চি ১৫ দগী হেন্না শাংবা শেৎনদে, ইকৌ কৌবা শেৎনৈ। কনাগুম্বা ইঞ্চি ১৭মুক শাংহল্লগা শেৎনবা য়াওই খুকউ য়ৌনিংচিৎ চোল্লি। মসি শেৎপা মীসে ঈরাং য়াওরবনি হায়নৈ। অঙাংনা ফুরিৎখাওদা রুমালগা পুরকপা য়াওরগদি অকে-অমৌদা কা হেন্না পাম্বা, ঈথক ঈরাং পাম্বা মী ওইনা লৌনরকই। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা চৎনরকখিবশিং অসি ঙসিগী অঙাংশিংনা তৌরিবশিংগা য়েংনরুবদা খেন্নরে, অহোংবা য়াম্না উরে। লাইরিক-লাইশু তম্বগী হোংলক্লিবা মওংসিমদি অফবনি হায়না লৌনিংঙি। লাইরিক তম্বগী টেক্নিক, পোলিসিদা, এদ্যুকেসন সিষ্টমদা খুমাঙ চাওশিল্লে। মসিনা অঙাংশিংদা খরা ৱাজরগসু খঙবা হৈবগী চাংদি ঙসিগী অঙাংশিংনা হেল্লি।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি ঙসিগী ঐখোয়গী অঙাংশিং অসি ঐখোয়গা, ইমুং-মনুংগী মীয়ামগা কয়াম নকশিন্নরিবগে হায়বসিনি। অঙাং অমনা মরোল শুনা ঙাঙবা ঙমলকপা চাউরাক্লা মশাগী চহী মরি শুরকপা অদুৱাইদগী মমা-মপাগী নাক্তগী খাইদোক্লবা তম্বীবা হৌরে। মনেমবোক্লা মশু লৌবসি চৎনরকত্রে। অঙাং লৌনবা মী তোঙান্না থম্নরে। পীক্লিবা অঙাংশিং কিদ সেন্টরশিংদা লাইরিক তম্বা চৎহনবা হৌখিবসিনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা ঙন্তানা লাপ্পবা হৌহল্লকখি। য়ূমদা লৈবা মতমদসু মথন্তা লৈহন্নবা মওংদা টি ভিদা, মোইবাইল ফোন্দা মিকি মাউসকী কার্টুন পিকচরশিং য়েংহল্লগা থম্বি। ঙন্তানা মোবাইল ফোনগা মমান্নবা ওইহনবীখি। ইনাক-কৈরাক খুনবা ইমুংগী অঙাংশিং অমদি মমা-মপা, মপান্দা থবক ইনখাংগী লৈবা ইমুংগী অঙাংশিং মণিপুরগী মপান্দা সিটি অচৌবদা লাইরিক তমহন্নবা কয়া অমসু লৈরি। ঙন্না য়ূমদা লৈহনদ্রবা মপানগা শম্নহনখিবা অঙাংশিংনা অমুক্কা হেন্না ঐখোয়গী লোল, থকসি-খাসিদা ৱাৎলি। মপান্দা লৈবা মমা-মপানা মচাশিংবু হেন্না মীরোলদা তম্বীনৈ। অতৈ অতৈ হীরমশিং লাইরিক লাইশুগী, লূবা-নানবগী, জেনেরেল নোলেজগী মতাংদা হৌজিক্কী অঙাংশিংনা ঙন্না চহী নৌরিঙৈদগী খঙবা-হৈবা হেনগৎলকপদা অফবদি ওই অদুবু হান্নদগী চৎনরকপা শাজৎ, ঙাঙনরকপা ইরোলশিংদা খঙহন্নরক্তবা অসিমদি নাৎকী মশক্তা ঙন্না অঙাংশিংবু মমিৎ তাঙহল্লি, না পংহনবীরবনি হায়বদা থোইদোক্লা অরানবা ওইরোই।

হৌজিক্কী অঙাংশিং মমাদা মমি কৌবা অয়াম্বনা তারি। মনেদা নেনে, মখুরাদা চাচা, বাচৌ, ধৌ-ধৌ অসিগুম্বা মপূং ফাদবা মিঙ্গৌ ময়াম অমা ঙন্তানা তম্বীখিবসিনা চাউরক্লগসু শেমদোকপা ঙমদবদগী চৎনবী ওইহল্লি। লোল ঙাঙবা শুদ্রিঙৈনা অমনি, চাউরক্লগদি মপূং ফাবা লোলদা ঙাঙহন্নবা ইমুং-মনুংনা শেমদোকপীগদবনি। মতমসিগী অঙাংশিংগী খঙবা হৈবগী চাং অসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগা মান্নদে। ঐখোয়দি ফনা য়াম্না চাউরক্লবা ফাওবা পংঙি। মীরক মীচিন্থি ওই, ইকায়গল্লি। হৌজিক্কী অঙাংশিংদি- মীকিদে, লাইকিদে। মতমগী মতুংইন্না, মহৌশাগী নাক য়েৎকী ফীভম হোংলকপদগী অঙাংশিংগী ৱাখল লৌশিংদসু অহোংবা লাকপনি। অঙাংশিংগী খঙবা হৈবগী পাঙ্গল হেনগৎলকপা মতম অসিদা ঐখোয়গী মিঙ্গৌ, লোলশিং, চৎনবী, শাজৎ ময়াম অসি য়ূমদগী খজিক খজিক তাকপীবা তম্বীবা হৌরগদি তুংদা অফবা, নাৎপু নুংশিবা মশক খঙবা মী ওইহৌগনি। অঙাংশিংনা খজিক চাউখিবদা ৱা ঙাঙনবা য়ারকত্রিবসি করিগীনো ? ঙন্তানা অঙাংদা গাড়ী থৌবা হৈহনখিবা, মমল য়াম্বা খুদাং ঘড়ী শীহনখিবা, মোবাইল অতাঙবা পায়হনবা অসিনা নৱাংবা হেল্লকখি। মখোয়না তল্লিবা লাইরিক্কী সেলেবসশিং অসিনসু হেন্না নাৎকী মশক্তগী লাপথোক্লবা ওইরি। হন্দক বোর্দ ওফ সেক্লেদরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম) না মোরেল এদুকেসনগী ওইনা লাইরিক অমা ক্লাস টেন ফাওবগী মহৈরোইশিংদা তম্ননবা পুথোকপীখি। লমদমসিগী চীং অমসুং তমগী ফুঙ্গা ৱারীশিংদা অমদি অতৈ হীরম খরদা য়ূম্ফম ওইরগা য়াওহন্নবা শেমখিবসি অফবনি, থাগৎনিংঙি। ঐখোয়গী পুৱারী (ইতিহাস) শক্লাইখিবশিংগী পূন্সি ৱারী, মরৈবাক নীংবা অথৌবশিং, লমদমসিগী লম্মীৎ-তুম্মীৎ, চীং-পাৎ, তুরেল,শা-ঙা অমদি চীংমীশিংগী ৱারী, খুন্দারোল, অরীবা মশান্নশিং, চৎনরিবা হৱাউ কুম্মৈশিং অসি খঙবগা লোয়ননা তঙাইফদনা তমহনবনা অচুম্বা ওইগনি। চাউরক্লগা কলচর ষ্টদিজ খংতম-তম্বদা নুংঙাইতবা য়াওই। কলচর ষ্টদিজ তাকপীগদবা ওঝাশিংসু নাৎকী পোৎশকপু মশক নীংথিনা খঙলগা তাকপীবনা চুমগনি। অঙাংশিংবু মখোঙ শেংনা নৌরিঙৈদগী লমদমসিগী নাৎকী মশক খজিক-খজিক পারা অমা ওইনা সোসিয়েল ষ্টদিজগী লাইরিক তম্বগুম্না মণিপুরখক্তগী ওইবা কলচর ষ্টদিজ তমহনবা হৌরগদি হেন্না মকা লাম্না খঙবা ঙমগনি। নাৎকী মশকশিং অসি লাইরিক লাইশু তম্বদা সেলেবস ওইনা য়াওহনবগা লোয়ননা য়ূম য়ূমদগী অহল লমনশিংনসু তাকপী তম্বীরগদি, খঙনরকত্রবা নাৎকী মশক অসি শোয়দনা খঙহনবা ঙমগনি।

হৌজিক লৈরিবা, চৎনরিবসি মতৌ অসুম্না অসুম লৈরগদি ঙসিগী হৌরক্লিবা অঙাংশিংদি নাৎসু, চৎনবীসু করিমত্তা খঙলরোই। ঐখোয়গী থাপালোনশিং- শজিফু, কালেন, ইঙা, ইঙেন মখোয় খঙদ্রে। নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা হায়বা, অমা অনী মশীং থীবা হৈতে। নুমিৎ খূদিংগী শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংগী মমিংশিং, চফু-উয়ান,খাবৈ-চেগপ, পুখম-তেঙ্গোৎ, পুখম নয়াৎপী, খুজাই, চেঙফু মশক খঙদ্রে, হায়সু হায়নখিদ্রে মদুগী মহুৎতা, কপ-প্লেট, গ্লাস, ফোগ, স্পুন, রাইস কুক্কর, প্রেসর কুক্কর, দ্রাইয়র, কন্টেন্নর হায়নখ্রে। চাকখুম লৈরংগী মহুৎতা ষ্টোভ গ্যাস, মৈখেৎকী মহুৎতা লাইটরনা শিনখ্রে। নুপামচা অমত্তা শীংজং পায়দুনা চাকখুমগী শীং খায়নখিদ্রে। মখোয়দা য়োৎপাক, থাংজৌ, তখেনথাং, হৈজ্রাং, তোক হায়রুবদা মশক খঙলোই। নুপীমচা অয়াম্বা ফমথরগা ইমুং ৱাই তৈনখিদ্রে ৱাইপরনা শীনখ্রে। নুরা চফু হংবদা খঙলরোই।

অসিগুম্বা, কুপখ্র-কুপখ্রবা ইমুং-মনুংগী পোৎলম কয়া তাকপী তম্বীনদবদগী মাঙশিনখ্রি। ওন্ন-তৈনবদা অপীকপা অঙাংদা কেক কক্তুনা বার্থদে তৌবা মমা-মপানা তম্বীরি। মচানা কপ্পদা, মমানা 'গুদ বোই' হায়না থেম্মী। মচানা লম হেনবদা 'নো..বেদ বোই' হায়না চৈরি। 'ইচাদি মরম ওকপনি, ইমাগী নিংথেম' হায়না থেম্বা নুংশিখ্রবা মমাগী চিন্দগী ৱাহৈসি তাখিদবা কুইরে। মমা ওইবীশিংনা তাকপী তম্বীদ্রগদি হৌরক্লিবা মচাশিংনদি থকসি-খাসি, নাৎ করম্না খঙগদগে ?

হৌজিক মতম লৈরি, ইশাগী লোন ঙাঙবা, ইশাগী নাৎ খঙনা চৎচবা হায়বসি মালেমগী ওইনা ইহৌ কন্না হৌনরক্লিবনি। ঐখোয়না অকেমফাৎতা মীগী মতৌ হেন্না তমদুনা ফজখ্রবা ঐখোয়গী চৎনরকপা, ঙাঙনরকপা ৱাহৈগী ফজবা, লোলগী নুংশিবা কয়া অসি নাথৈদুনা লৈরে। হৌরক্লিবা নহারোলশিং,অঙাংশিংদা ইশাগী নাৎ, লোল, ৱারী ৱাখোং খঙহন্নবা হোৎনসি। খঙহনবা হায়বসিগী অহানবা হৌফমদি য়ুমগী ইমুং-মনুং মমা মপা অমদি মহৈ তম্ফমশিংদগী ওইরক্কদবনি। অঙাংশিংদা মাইকৈ তাকপীসি, নাৎকী চৎনবী ইরোল ঙাঙবা তম্বীরমসি। খুন্নাই অসিবু ঙাকহৌগদবা তুংগী য়ূম্বীদি মখোয়তনি। ■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৫৫

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

খুঙ্গং অদুদা ওজা খরসু লৈরম্মী মদুগী মনুংদা খন্না মাষ্টরসু অমনি অদুবু মহাক য়াম্না পংবা মীওই অমনি; অনীশুবদনা মালবিয় মাষ্টরনি, মহাকসু য়াম্না পংবা মীওই অমনি; অহুমশুবা অমদি মরীশুবা, মঙাশুবা, তরুকশুবা অমসুং তরেৎশুবা মাষ্টরগী মমিংদি গয়াদিননা খঙলমদে। অদুবু ওজাশিং অদুসু অপংবা ঙাক্তনি। গয়াদিনগী অৱাবা মতম অদুদা অমুক্কা হেন্না হেঞ্জিনবা হায়বদু ওইরে। মরমদি ওজা ৭মক মহাক্কী ময়ূম তম্না লাক্লম্মী অমসুং তশেংনমক মখোয়না শোয়দনা হুরানবগী থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মীনুংশি উৎলমলগা খঙহৌদনা কোলেজগী মরমদা তাবা য়াদবা অপংবা ৱাফমশিং হৌদোরক্লগনি হায়বা খঙলম্মী।

খল্লম্বা অদুমক থোকখি। ওজাশিং অদুনা পুংখায় অমমুক গয়াদিনবু তাক্লম্মী মদুদি মহাক কোলেজ অদুগী মেনজমেন্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্টনি। প্রসিদেন্টদি হৌখিবা চহী কয়াদগী মুম্বাইদা লৈখ্রে। মরম অদুনা মেনেজর অমদি প্রিন্সিপালনা চৎথরিবা অরানবা থবকশিং অদুগী মায়োক্তা ভাইস পসিদেন্ট অমা ওইনা করিগুম্বা থবক খরদি তৌবা ফৈ।

গয়াদিননা য়াম্না ঈংনা-তপ্না খন্থরবা মতুংদা পূম্নমক্কা লোয়ননা য়াইফমিন্নবা খুন্নাই অমগী ৱাখল্লোলদা হায়রম্মী মদুদি ভাইস প্রসিদেন্ট ওই হায়বগী ৱা খক্তনি। তশেংনা হায়রবদা পৱারগা অমত্তা লৈবা নত্তে। অদুগা ওজা থবক অদু ওজাহোয়না অদুমক তৌবিয়ু, ঐবু থবক অদুদা চেনহনবিগনু।

মতম অদুদা সোসল সাইন্সকী ওজা অদুনা মঙোন্দা য়াম্না লুনা হায় মদুদি ভাইস প্রসিদেন্টগী অচৌবা পৱার লৈ। ভাইস প্রসিদেন্ট অমদা অচৌবা পৱার লৈ হায়বা গয়াদিননা খঙলম্লোই হায়বগী মতাগুম মহাক্লা ভাইস প্রসিদেন্ট অমগী পৱার ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না করি-করি পৱার লৈবগে হায়বা হৌরকখি। অদুবু গয়াদিননা মানা তোংলিবা খোঙউপ অদুগী খুনিংনা লৈবাক্তা অকোয়বা লাইন অমা চিংদুনা য়েকই। মদুগী চপচাবা ৱাহন্থোক্তি মহাক জিওমেট্রিগী মতাংদা করিমত্তা খঙদে হায়বা নত্তে। শুপ্পগী মহাক করিগুম্বা তোঙানবা ৱাফম অদুদগী নান্থোক্লবা ৱা অমা য়াম্না কন্না খল্লি।

ইখঙ খঙহৌদনা মহাক্লা ওজা অদুদা চৈরদুনা হংলকই, "অদুদি হায়বিয়ু ওজা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট কনানো?"

ৱাহং অদু তাবদগী ওজাশিংগী মরক্তা চরাংনবা থোকখি। ওজা খরা অমনা অমবু কোইয়েং য়েংনদুনা লৈখি, ওজা খরনা অতোপ্পা মফমদা য়েংখি; অদুবু ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্টকী মমিং মায়কৈ খুদিংদা ইরম্বা থেংনখিদে। অরোইবদা সোসল সাইন্সকী ওজা অদুনা হায়, "অহানবদদি রাধাকৃষ্ণ ওইরম্বনি, হৌজিক মহাক অতোপ্পা ফম অমা পীখ্রে।"

গয়াদিননা তপ্না হায়রকই, "হৌজিক খঙবিরো ওজাশিং, ভাইস প্রসিদেন্টগী করি পৱার লৈগে হায়বদু?"

অদুবু ওজাশিং অদুনা ৱাফম অদুবু য়ারমদে। মখোয়গী মরক্তগী ওজা অমনা য়েৎলম্মী মদুদি য়ামদ্রবদা কোলেজগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মীফমদা গয়াদিনবু কৌগদবনি। গয়াদিন খুঙ্গং অদুগী মহাজন অমসুনি। অদুবু মহাজন অমা ওইরবসু অতোপ্পা মফম অমদা চৎপদা মহাক্কা লোয়নবা মী অমত্তা লৈরমদে। মহাক অদুগুম্লবা মহাজন অমনি মদুদি শকখঙদবা লম্বীশিংদা মানা চৎত্রিঙৈ মমাংদা অতোপ্পা মীওই অমা হান্না থাই অদুগা লম্বী অদু শেম্লবরা নৎত্রগা লম্বী অদুদা চৎপদা পুথরোইদরা হায়বদু য়েংই। মদুগী মতুংদা চৈশু অমা পায়রদুনা তপ্না-তপ্না চৎলি। মরম অদুনা ওজাশিং অদুগী মরৈ অদুনা মঙোন্দা থোইনা অৱাবা পীবা হায়বদু ওইদে। মহাক্লা তপ্না হায়, "মীফম তৌনবগীদমক রমাধিনদা শিলহল্লু ওজা! অদুগুম্বা থবক অদুগীদমক মহাক কান্নগনি।"

"মহাকপু হান্নদগী থবক শিন্নবা হৌখ্রবনি।"

"অদুদি ফরে, মঙোন্দা শিনবিরো। মখা তানা তৌহনবিরো," হায়রদুনা গয়াদিননা মনাক্তা ফল্লিবা মীওইশিং অদুগী মায়কৈদা য়েংলকই। নাকল অমরোমদা ফল্লিবা মীওইশিং অদু অনকপা ময়াদা লৈবা খুঙ্গংগী মীওইশিংনি। মীওইশিং অদু ৱাশক চে ইহন্নবগীদমক অমদি ফীভম অমদা হেক্তা ৱাশক চে অদুদগী নান্থোক্তনবগী লাকপা মীওইশিংনি। খন্না মাষ্টরনা চপ য়ুংনা লেপখ্রে মদুদি ঙসি গয়াদিনবু ৱাফম অদুগী মতাংদা মপুং ফানা ৱারী শানরগা হনগনি হায়না। মরম অদুনা মহাক্লা তাকপগা লোয়ননা হায়বা হৌরকই মদুদি "মালবিজি, হৌজিক অদোম গয়াদিনবু য়ানবা ৱারী শাবিয়ু। প্রিন্সিপাল অদুনদি ঐখোয়বু শুমদৎলদুনা থল্লবনি।"

গয়াদিননা শাংলবা নুশা শ্বর চিংশিল্লদুনা ৱাখল খল্লি মদুদি লাইবক্তা থোকউ হায়না তল্লল্লবা মাল্লে, মখোয় অসি মফম অসিদগী চৎলরোই হায়না। মখোয়না হান্না ফল্লম্বা মওং অদু অমুক হোংদোক্লদুনা থারিবা ফীদা অদুগা অতোপ্পা মফম অমদা অমুক ফমখ্রে। অতোপ্পা মফমশিংদা ফল্লিবা মীওইশিং অদুদা হায়রকই, "নখোয় ময়াম চৎখ্রো! হয়েং অয়ুক ঙন্তানা লাকও।"

গয়াদিননা অনীরকশুবা ওইনা নুশা শ্বর চিংশিল্লদুনা খন্না মাষ্টরগী মায়কৈরোমদা মমায় ওনশিনখিদুনা ফম্মী। খন্না মাষ্টরনা হায়, "অদোমগী অয়াবা লৈরবদি ৱারী অমুক মকোক্তগী হৌরসিরা।"

"করি হায়দৌরিবনো ওজা?" গয়াদিননা তনবগা লোয়ননা হায়রকই, "প্রাইভেট স্কুলগী ওজা ওইবা হায়বসি - শুমদৎলগা চাবগা পাঙ্খকনি। কদাই ফাওবা চেনগদৌরিবনো?"

খন্নানা হায়, "লুরিবা ৱাফমদি কোলেজ অসিগী জনরেল বোদিগী মীফম চহী ৫দগী তৌদনা লাক্লি। ৱেদ্যজিনা অদুমক মেনেজর ওইদুনা লৈরে। অনৌবা মীখলসু পাঙথোকত্রে, অশেংবদি চহী মঙা খুদিংগী মীখল পাঙথোকফম থোকপনি।"

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।